তেংবানবনা হৌরকঙৈগী ৱা

[Theory of Universe]

A Book of Phylosophy on Natural Objects

★ Thinking of the Infinity (অতিংকোক) Root of Universe (অতিংকোক মরু শিদবা) & the End of Universe (অতিংথম)

★ Study of Atom (কুপত্রেং) & Supper Soul (য়াইবিরেন শিদবা)

★ Thought about Time relating to living beings.

তোমচা মোইরাংথেম্বা

অহানবা ফো'বা :—
তাং ১০/৭/৮১ ইং
কোপী ১০০০

লাইরিক ফংফম :— কেথেল্লা হাউস, পাউনা ব'জার।

মমল লুপা ৩·০০

"কচচবা"

লিকলাঙ চোইনা কেনখিব', অকাঙ পরৈনগ্রবা
তেংবানবনা হোয়কৈঙ ভাকম শাংকম ওইরিবা
মপু মানা ওইবকৈঙগী, রাগি লিথুন খরাবু
খঙবদি খুঙজদা কৈদদি হৈজদা করমনবু
পাঙদমশিগে, করমনবু কেংদোকশিগে।

উ হীবন্থ নংতবা খঙঙুবন্থ যাত্রবা য়েংলকৌকৈগী
রাকমবু, লিকলন লিথুন খিবদা পঙলবা মরা
ঐহাক্কী নুঙবংনরে রাখন্দা।

লৈক্তি লিকলম লিথুন্দা, লৌশিংগী নৈরা থান্দুনা,
লিকলু খরা ফঙজবা, লিকলাঙ ওইন লেঙজবা,
নিঙথিবা লিকলাঙ নংচদে চমলবা লিখলাঙ
পরেংশে নৈতৈ/মীতৈ কোবী ইনা নংগী নকমদা
কংচরি লংনবা লৈতনা লৌবিয়ু।

তোমচা মোইরাংথেম্মা

ৱাহৌদোক

মৈতৈ/মীতৈ লোনবু ইমালোন ওইনা লোমবিরিবা, লাইরিক অসিবু পাবিরিবশিংগী মকথদা বাহৈ খরদং কোংদোকচরি। লাইরিক অসি লাইগী নিংথৌরোল পরেংগী অরিবা লাইরিং ওইথিবনা মীয়াম্না কাংনথ্রবা বাহৈ কয়াবু মতমগী চাংনবা মওংদা নোৎনা শমুক Geography গী Portion অমা ওইনা ইখোক-চবদা, অরিবা লাইশিংবু Space গী Object ওইনা উচল্লি কায়ড়ুনা ঙ রৌবিগনু। অরিবা বাহৈশিং অসিদা কবি কবি য়াওং-রিবগে, বাহন্থ ক্লা করি করিবো, মনুংদ ফেংলিবা ইচেলনা করিবে। কায়না থিদোকচবদা অখোয় অঙাম য়াওদরবসু ঙাকপিগনি খাঙে। অভিধান বাহৈশিং অসিদা Scientific term বু মাংলোননা উবিরুনা ফেননখ্রা লাইগী নিংথৌশিং অসিগী ফজবা পোশিং খরদং উত্থবদা ইপানবা। অকনবা ইথিন অমনা ইজবনি। অইদনা য়োবা ঙমদব য়াখল পরিং কয়া থেংনবিরবসু, লোন অসিবু নু শিরোঙনা অয়াংপা কয়া হাপকৎপিরকনবগী থোঙ হাংদোক-চরি। মতমগা চানবা বাখল পবিংদা ফেন্না নরিক চুমা, চাওরবা লাইরিক কয়া অকৌশিংনা ইবিরকবিগনি খনজবা মঙলানবু মগফাওনহনবিয়ু।

অইবা—

তাং ২৭-৫-৮১ ইং

লাইরিক অসিবু পাবদা মুংঙাইনবা

Geographycal Term গী বাহস্থোক খবা পিজরি

তেংবানবা = Universe

নিংথৌ = (কোংথৌ)

ভুরেল = Milkey way

অতিংকোক = Unlimited space

অতিংকোক মক = Root of Galaxy

অতিং = Space

থম = Limit

অতিংথম = Limitation law of Space

অতিয়া = Sky

নোংথক = Atmosphere

লৈমাই = Level

লৈথা = Ground level

লৈমুং = Under ground

লৈরোল = Layer

মলেম = Earth

পান্থোইবী = Outter surface/Hydrosphere

মুংথেকলৈমা = Lithosphere

মর্কচেনশিদবী = Barysphere

কুপত্রেং = Atom

খেমত্রেং = Limitation of Atom

হাযুৰ লিদবা = Air

হুমলেন = Oxygen

হাৱলেন = Hydrogen

লাইজ (লাইচা) = Water

খৌৱাই = Soul

মাইখিৱেন = Supper Soul

শালাইলেন = The first man created by God.

নৈশৱেন = First woman / Rotating Earth

মা°টৈক ম'খ্রি = Four angles of 90°

শু'দাইগা খাৱগা নিশাল = Eight angles of 45°

মাটৈক শু'দাই = Eight angles.

নোংখ ং = Power

খাংফিং = Energy

অগা'লৈমা = Valocity

চিঙ্টৈধ = Ragulator

টৈৱৰ = Tropical

টৈলৰা খুন্দা অহানৰা = Torid zone (Sub Tropical)

কৌক্র = Effect of magnatic poles.

অৱম অডান = Day & Night

কুখি কালেন = Season

কুখি কলেন খাইৱা = Season change

অচিক অপা থাইবা = High pressure & Low pressure system (weather)

অচিক অপা = High pressure & Low pressure

মোংজু মু'প = Wet & dry season (Climate)

লাইপুংথৌ মাপল = Nine planet.

নোংথোঙ = Planet

হৌকন লোমকম = O° Zero Degree

থরাংমিচাক শিদবা = North Star

মারজিং = North pole

লেম্ফু = Pole

ব'ংব'লেন = South Star

থা'-ম চাওবা = South pole

ম'লেমম্মী খে রূচং = Revolution of Earth

মালেমগী খোঙলম = Orbit (Track)

মরে'ৎ = Axis

কোয়নৌ (কে.ইরৌ) = Sun

তেংবানবনা হৌরকফংগী ৱা
(Theory of Universe)

তরং মালং ওইরিবা মপাল মাইদনা পাকচবা মোংমদোম থক্তি অতিয়াদা, নিংথৌ (মোংথৌ) তুরেলগী ইপাক্তা; তুম্বিৎ যূরান্না পাইবশুম, ঈরিৎ কোক্সননা তাওবগুন, তরং মালঙ ওইবা অতিয়াদা নুম্বিৎ লিশিং লিশিংনা থাক্ত কোতি কোত্তিনা, অরেপ্পা লৈতনা তাওরি, অরেপ্পা লৈতনা চেন্থরি। তেংবানবনা হৌরবগী মপু মানা ওইরকপা নুম্বিৎ থা ঃরর নক্ষত্রাকশিং করমনবু ওইরকপা করমনবু শেমখিবা ?

অতিংকোক (Space)

থাপত্রবা আ—দা হায়রিংভাই লৈতনা তায়ফম থগুদনা থ পত্রবা, তরং মালং ওইবা মপাল মাইদ্রবা। কৌকম লোমকম থদদনা প কলনা, ইহাং হাংবা ইতিং তিংবা ইকোক কোকপা করিমত লৈতবা মফমবু অতিংকোক (Space) কৌই। হায়রিবা মফম অসি কৌজিক্তি Galaxy শৃংম্না cover তৌদ্রনা লৈরিবা মফম অদুবু'ন। হায়রিবা মফম অসি ইহাং হাংবা ইতিং তিংবা ইকোক কোকপা লৈরম্মি করিমত্তা লৈদ্রে।

অতিয়া (Sky)

অতিংকোক হায়রিবা পাকচবা মফম অদুগী শকক থরবু অতিয়া কৌই। অতিয়া হায়বদি কৌজক নিংথৌ তুরেলা কন্দুনা লৈবা মফম অদুমথৈবুনি।

অতিযা মরু শিদবা

সুমিৎ থা থবানমিচাকনচিংবা করিমত্তা হৈ হৈদ্রিদৈদা, ইহাং হাংবা ইখিং তিংবা ইকোক কোকপা হৌকম লোমকম থংদনা পাকলবা Unlimited Space বু অতিংকোক ইমাগী শিবুকসং হায়না লৌই। হায়রিবা অতিংকোক ইমাগী মনুং চনব অতিয়া কৌবা শাকক থরদা, পুমহাঙ হাঙনা লৈরবদগী ময়ম্না পাংথ্রাবা লৈতে হ মরম্ম কৌবা য়াবা মতিক ময়াই অমা (Ether)না পকনা শন্না মতোমতা ওইরকখি। মতম কুইনা লৈরবগী তুংদা মশেল ময়াং ওইবা পথ্রবা মঙাল (Cosmic ray) অমস্তু য়াংরকখি; মথংদা মকম থঙদবা ইথক তৈপোম (Magnatic wave) অমস্তু মতোমতা তিন্নখি। মসোই চহুম অসিনা মতম শংনা অমগা অমগা তোংনা তিন্নবা ঐথাইনবা চিংথেকনবগী, মসিদগী নিঙ—ঙ হায়বা তমা ফংদবা পিকথ্রবা খোনজেল অমা অহেঙ্গ হৈতনা থোকলকখি। হায়রিবা খোনজেল অসিনা মতম শংনা লৈরবা তুংদা Ether হায়রিবা মশিল অসি অস্তুম অস্তুম তপ্পা তপ্পা চুরা থরা কুংশিললকখি। Cosmic ray হায়বা মশেল অরাং ওইবা মঙাল অসিস্তু তপনা তপনা অস্তুম অস্তুম মখেক শক বগুং তৌরকখ। মায়া কুইরবগী তুংদা মথোয় মমাং অসিনা তপনা তপনা লেংবা হংবা হাইবা চুপ্পা তৌরকখি। অস্তুমনা কুইনা লৈরবগী তুংদা পিকথ্রবা মকোল মচা অমা মতোমতা ওইরকখি। মকোল অসিনা কুই-রবগী তুংদা ঈরিক অমা ওইবা ঙমখি। ঈরিক অদুনা তপনা

তপনা পাইবদা অসুম অসুম তপনা তপনা চাওখৎলকপগুম তৌখি। হায়রিবা মখক উদবা cosmic ray, Ether, magnatic wave অমসুং নিঙ কাঈবা তাবা ফংদবা মখোল অসিগনা ইরিক অসিবু চাওনবগী মরম অমা ওইদুনা তপনা তপনা চওরকখি। মথৈথংদা হায়রিবা ইহাং কাংবা অতিয়া অসিদা য়েনবিগী পিবুকনুংদা য়েকমনা মখি তমলকপগুম চহৌশা কৌবি ইমাগী থৌশিমা, অহ বা শতিয়দা য়াম্না মক থইবা মতিক মনাই পুন্না তাশিন্দুনা য়াওবা Galaxy ময়াম ওইরকনবগী মচাক পুন্নমক শুনা য়াওবা অপিকপা পোৎশক অমা মতোমতা ওইরকখি। হায়রিবা পোৎশক অসিবু অতিয়া মন্দ শিদবা কবনা খঙবে। মহাক অসি Black hole শুপ্না Black hole দমীদি হেন্না মতিক ময়াই লৈবা expose star ওইরক্তুনা giant star ওইরকনবগী মওক ময়াই শুনা য়াওব অহিয়ামী পোৎ অমনি।

অতিংকোক মরু শিদবা

য়েনবাগী পিবুকনুংদ য়েকমনা চাওখৎলকপগুম চহৌশা কৌবী ইমাগী থৌশিলনা অতিয়া মক কৌবা পোৎশক অসি অহাংবা অতিয়াদা কোইপাই পাইবদ অসুম অসুম চাওখৎলক্তুনা হায়রিবাই লৈতনা চাওবা থবানিচাক (Suppermost star) অমা ওইরকখি। মহক অসি অতিয়াযুক চাওখিবা মরমনা

Galaxy শিংনা Cover তৌদুনা লৈবা Spaceশি মফম অতিং-কোক ইবাগী পিবুকমুচ হায়না খঙনরিবা মফম অদুদা পাইবা হৌরকখি। হায়রিবা মফম অসি ইবাও হাঙনা ইতিং তিংনা ইকোক কোকনা অতিংকোক (Space) কৌনা লৈবা মরমনা মমিং তৌনা য়াম্না য়াংনা পাইরকখি। মতম অসিদা মহাক অসি অতিংকোক মরু শিদবা হায়না খল্লৈ। মতেং.মঙা লৈবা মরমনা অমা কৌবা মপূ হায়নসু কৌনৈ।

অতিংখম

অতিংকোক ইবাগী হেন্দোক হেনজিন য়াদবা পরিং পথাপ অমা য়াম্না ফজনা লৈ। হায়রিবা পরিং পথাপকি পনথৈ অসিনা মরম ওইদুনা অহাংবা অতিংকোক্তা পনথৈ অদুদগী হেন্না য়ুঙনা পাইবা য়াদে. হেন্না য়াঙনা পাইরবদি চাকথেকই। মশা মশাগী তৌবা ঙম্বা মতিক ময়াই পনথৈ অদুদগী হেন্না চাওথোকলকলবসু পোখাই। মবম অদুনা Space দসু limitationগী law লৈ। হ যবিবা law অসিবু অককনবা পনথৈ limit খম কৌই। খম limit, করম্বা খম করম্বা limit, অতিয়াদগী হেন্না চাংবা Galaxy শিংবু cover তৌদুনা লৈবা অতিং হায়বা মফম অদুগী খমনি। মরম অদুনা অতিংখম হায়বা অসি Limitation Law of Galaxy হায়না খংনরিবা অদুবুনি। খমলবদি শিরে লোইরে, পোং অতগী মওং হোঙলে, হায়গী মওংদা লৈত্রে হায়বনি।

অতিংকোক মরু শিদবনা তেংবানবা মপূ ওইখিবগী ৱা

(Theory of galaxy)

হায়রিবা হায়নি ডাক্ট শৈতনা চাওবা থবানমিচাক অসি মতমগী মতুং ইন্না মখোমতা লৈবা মাররক্তুনা চং হাংবা য় বা ইমিনতনা অকঙবা লৈরি অমসুং লৈনা থোকলকুন লৈরেং ওনখ্রে। মতম অসিদা আডংবম (Limitation) লাক্লুনা মফাকপু থমমুং লমিদা পুশিল্লুনা শাথাক্ট মচেৎ লখা লখা থোকনা লৌনা অমুক লাংওনবিখি। শাথাই থুদিংনা নুমিৎ থা থবানিচাক ওইথখুনা তেংবানবা পুখা ওইখি। মরম অদুনা মহাকপু নুমিৎ থা থাবনশিচাক পুম্নমক মপু তে বানবা মপু হ নরা থতখি। খুদম ওননা চাউরবদা Bigest Star অসি শাথবাখুনা Existance power গী Limit থোইহিদুনা Super Atom গী মচেৎ লখা লখা থোক্লা পোখাংখি। হায়রিবা Super Atom গী particle অমম-মনা Solar System মুখ চাওবা মরমনা Planetary System অমমম ওইখিদুনা Milkey way মশিং লাইদনা থোকখিবদু তেংবানবা (Universe) অসি ওইখিবনি। থোকিক ঐখোয়না লৈরিবা মাকেম অসিমু Super Atom অদুগা Newtron অমনি, Newclus অদুনা মুমিৎ ওইখি, Proton অদুনা থা ওইখি, অতৈ Newtron

শিং অদুনা Planet অতৈ ওইনি। মতৌ অসুম তৌনা Milkey way অমদা Planetary Syst.m মশিং লাইবনা হৈনি।

খুদম ওইনা হায়রবদা Atom অমসুং Planetary System অসিগী Capability & evolution, Revolution power of existance and Orbit স্তুন য়াওবা মরমনা মথেং অমা অসি চপ মান্নই হায়না তৌবা যাই। Atom কী Nucleus হায়বা Soul অমা য়াওই Planetary কী সুমিং হায়বা Soul অমা Centre দা য়াওই হায়রিবা Centre অসি কয়রবদি Nution, Proton, Planet লোইনা কায় মরম অদুনা Nucleus অমসুং সুবিং অমি অসি চইগী মওংনি। মাই হায়বা অসি শিকমমবদগী উবা যগে। চাওমনবদা চক্রবা ও দে হায়রদি অসিনি। Planet পু লাইপুংথৌ কায়-কপু থকই, লাইপুংথৌ মাপাল হায়বদা Planet লাপলবুনি।

মতৌ লাংওন অসুমনা extra Ordinary ওইবা Black hole অমনা develope তৌবা Lxpose Star ওইরকপা Law of Space কী তুং কই Limitation গী বাইদনা হৈবা হারকদুনা শেখ মরদগী Galaxy ওহৈথিবনি। Atom অমসুং Planetary System অসি অসি চপ মান্নবা মরমনা য়াওইদগী চওবা ধরানবিনাক অমমা পোকথাইবগী Supper Atom মরাম অমা থোকপনুগা Universe অসি ওইথিবনি।

তেংপানবা মপু শিদবনা কুনশ্রেং (atom) অমসুং শেমশ্রেং


(Limitation) অমি-বু পোকলে, মরম অচুনা হায়রিবা মতম অপিখং বাংেনবদা Atom Particles লৈরে, Atom Particles লৈরবনিবনা Matter পোংচাক লৈরে। পোংচাক লৈরবনিবা [illegible] লৈরে। হায়ুবশিংবা নুংশিংনা হুমলেন (Oxigen) [illegible] (Hydiojen) অমিবু পোকলে। হুন [illegible] থেন্নবগা লাইচা ঊশিং ওইরে।

Matter & Soul


1. METTER HAS THREE STAGE



ATOM




PLANATORY



GALAXY


2. SOUL HAS ALSO THREE STAGE



CELL



SPURM



HUMAN BEING

Cell না Develope তৌরগা [illegible] sperm

বা Womb দা metamorphosis তোড়ুনা develop তৌরগা Human being ওইরকই।

অদুম তৌনা মালেমদা পোৎচাক Matter লৈরে, নুমিৎতগী মৈশা কংলে, ঈশিংচু লৈরে, নুংশিৎসু লৈরে। মতম অদুদা ঈশিংদগী ঈরিক কোঙ্গোল ওইরকলে, ঈরিক কোঙ্গোলদা কচ ওইরকলে। কণ্ডকালদসু লোং তাবদগী ঈশং পোকলকলে, ঈশংদগী মথং মথং অশাং অমান নাপি শিংবি, উপাল রাপাল পুম্নমক ওইরকখি। অদুম তৌনা মালেমদা উঙং রামং হায়বা চৎতবা থৌরাঙ পানবগী কাঙলুপ লৈরকখি।

নাপি শিংবি উপাল রাপাল লৈরবনিনা, নোংগী ঈশিং, নুমিৎকী মৈশা, অপেনবা নুংশিৎ অমসুং লোং থাকলকপদগী মালেমদা Virus অমসুং Bactaria গী মফোম ওইবা germ পোকলকলে। মথংদা তুমিৎ যুরাম, মহিক নত্তাঙ কাঙ কাম্নি, রাহৈ লোনু মথং মথং ওইরক্তুনা শা ওনচিংবা অচৎপা থৌরাঙ পানবা পুম্নমক পাকনা শম্না লৈরকখি। মশিবু যাইবিরেন শিনবনা নুমিৎকী অকনাদগী মালেমদা কুমথখিরক্তুনা থৌরাঙ পানবা পুম্নাবু পোকশিবা হায়না থজৈ।

Atom particle মরাম্না তিনথোক তিনশিন তৌরগা লৈ, ঈশিং নুঙশাৎ, মালেম, অতিয়া ওইরে। লৈ ঈশিং নুংশিৎ মালেম অতিয়ানা মতম শাংনা অমগা অমগা তিন্নরকলবা মতুংদা অশাং অমান নাপি শিংবিবু ওইহল্লকই। অশাং অমান নাপি

মাপি মিংথিবগী মৈ ঈশিং নুংশিৎ মাকোম অতিয়া পুম্না মতম কুইনা অমগা অমগা তেংনা তিন্নবা মতুংদা অচৎপা থৌরাই পানবা ওইরকই অমুংনা মথং মথং ওইরকলিবা অসি ওইরকনবা পোৎচাক অমত্তুং চান থকনবা হান্না লৈরবা মতুংদা ওইরকপা ঙাইহাকনি। মতৌ লাংওন অমুমনা মথং মথং ওইরকলিবা অসি Atom particle লৈবদগীনি। atom particle মরু কাইনা লৈবা মরমনা মৈ ইশিং নুংশিৎপু ওইরকনবা বাৎপা মাইক্রবা পোৎচাক ওই। মৈ ঈশিং নুংশিৎ বাৎক্রবনিবা অমং অমান নাপি মিংথিবু হাজ্রে। অমং অমানবা বাক্রবনিবা অচৎপা থৌরাই পামবনিংবা চানবগীদমকসু অরাৎপা লৈতে মরম অদুনা ওইরকনবা পোৎচাক অমত্তুং হিংনবা হিংপাক হান্না লৈরবা মতুংদা মথং মথং ওইরকখিবনি। মসিবু অমগা ১গা মরি তৎনা থানবা বাক্রবা মরি মতাও (Theory of ralativities) কৌই। Theory of ralativities ওইহল্লকইবা পোৎ অদুবু চাওনা কিঙই, মত্তু চাক্রবদি মি। মরম মরান অসিদমক এখোয়না থওলে মতুদি পূমনমক অসিবু ওইহল্লকলিবা অসিগী মরুদি atom particle নি। atom particle লৈত্রবদি এখোয় পুম্বা মিংনি atom bomb পোখাইবা মতংদু atom particle মরাম অদু কাইদুনা চাকপদা থৌরাই পানবা পুম নি। মরম অদুনা atom হায়বা অসি হিংবদা চংক্রবা যাদবা য়াম্না মরু ওইবা পোৎ অমনি, অদুওইদি Atom করিনো কূপক্রেংনি, কূপক্রেং করানো মথক উদবা লাইনিংথৌগী মতৌ লাংবন অমনি। মহাক্ত থৌরাই পুম্বগী মপু মাইবিরেন শিদবনি (Supper Soul)।

—):o:(—

ঈশেল্লেং

"থৌরাইগী মপু হাইহিরেন শিদবা"

লাইরৈবাক্কি মচুলৈবাক লাইরৈবাকপু ঙিবনি
মচুলৈবাকপু খিবনি কদিগী রাখল পরিংমা
কজবা পুম্ব না তিঙ্কবা লাইরৈবাকপু শাগংনি
লাইরৈবাকপু ঙিবদি মচুলৈবাকপু ঙিবনি
মচুলৈবাকপু খিবাক মচুনা মচুগ্রা তাকবদা
সরি মচু [illegible] শুদ্ধলে তে হৈবং
অসি মচুনা [illegible] [illegible] থকা
লাইরৈবাকপু [illegible] লাইরৈবাক্কি [illegible]
নোংমদোন [illegible] লাইরৈবাক্কি
লৈরাংদে লুরবা [illegible] [illegible]
লাইরৈবাকপু [illegible] [illegible] লাইরৈবাক
মফম কৈদা [illegible], [illegible] পুম্ব শুলুরে
[illegible] কোনা [illegible] [illegible], [illegible] লাইরৈবাক

মেচলন [illegible] অমন [illegible] পিকনা
[illegible], [illegible] হুমদা [illegible] কপু
লৈবনি, [illegible] খোবা, তরং [illegible]
ওইবনি, [illegible] লুকিহনা খোগল
[illegible] থৌরাই [illegible] কৌবনি,

মমাই মঙা শুবনি, মাইবি হায়নমু কৌবনি, খোইদৌ থম্মান নৈযে ন্দা লেংদনবু নৈবনি, তাইবং হকচাং পোলাংদা পোন্নি ওইবা মোকপনি, পোন্নি মানা পাইথ্রগা খোৱাই চেকলা কৌবনি, মালং ইপ ক্তা তাওদুনা মপুগী নাক্তা চৎখিবা মপুগী লৈকোন্দা লৈখিবা চেবলা মান কাওগনু, নকনা থাপনা লৈরনি থঙবা ঙমলোই তাইবংমা যৌঙমদবা মকথনি, ফংঙদবা নওনি, উবা ঙমলোই তাইবংমা, থঙবা ঙমলোই ম ওইবনা, এইবু শিংগে হায়রবদি ৎম্মো ইমুংদা থিরকউ, লম্বাবু নশানা থংনকউ ফাগনি লোইদনা এইদ কপু।

শাংনাইলেন শিনবগী বা

(The first man Created by God)

অসুবনা থোহ ইশ্ব মপু মাইবিরেন শিদবনা মালেমপা দুম-শথিরক্তুমা খোরাই পানবা পুমবরু ওইহনবিরবশু তুংদা তাইবংম পুরুশ্ব ইহান কানব মী শালাই পুম্নমক্কি লেন ওইরবা পুবোক,

থাদোইদেন অমম্নুং লৈবা পুথমক্তী ইহান হাননা মুপী লৈমরেন ওইরকখি।

মিনু (মোনু) তাইবংমী

থৌ-ন-বা থাইবা থৌবাইদি থৌবাইমিচাক শিনবগী মকমদগীনে, থৌবাইমিচাক শিনবনা খোঙজুম্নবি তরেংতা শিন্নরে, খোঙজোংনুবি তরেংনা নোংমা নোংমা য়োকপদা চয়োল তরেং-না য়োকএ। অদুগী তুংদা শজিক্তা শিন্নএ শাজিকমা তাইবং ওইগদবা মাবু অহিংগী চিকলবা মতমদা মালং ইচিক থেমনা পুরক্তুনা থাব দা শিন্নএ। থাবানা থাবুম মশিং থিত্তুনা পাবদা থাবুম অহুম শুরে হায়রে অদুগীদমক পম্বৌ ইপাগী কায়াদ্দা থাবুম অহুম লৈবনে। থাব না তাওহৈরোইদা শিন্নত্তুনা য়াংনা তাওথরকপদা ওকপুরেননা ওকএ, ওকপুরেমা নোংমদোল থাজদা শিন্নরে। অদু নো দগী প'লেম ইমাগী শিবুকন্নুংদা মিতম্বা তায়বত্তু ওইবনে। নোংমদোল থাজনা মপুংফাবা থাবুং ওইবা মতমদা শিন্নরবদি অচান লোক্তা তাইরে, থ জনা থাত্ত ওইমা মমত্তুনা লৈবা মতমদা শিন্নরবদি অমমলোক্তা তাখিত্তুনা থরেম্বা ওইরে। মতম খোংবাই অসিদা থৌবাই মাগী মওংদি অমজি মওংনে। থৌবাই মানা নোংমদোল থাজগী মকমদা চুক মরি য়ুংনা মাইকৈ কারদ ফাহুনা চ'ওরবা য়ুম অমগুম লৈরে।

অঙুৎপনক অমাঙ কাইদুনা কৌবনে। চুক মখিগী কাংদদা ঐদবা মতম্‌বু পখিং লাংলং থাবা কাহাৎপা, কা থাবা কদা হৌরে [illegible] মখিদা লোইরগা লোরেন, পুমলগনা অপুম্ব কৌও।

অসুম হৌনা বোম (অমোম-সুপি) পাংলম ইরগী পিবুক-সুংদা [illegible] মুগী [illegible] মিতমক [illegible] কাইরে, [illegible] মিতমক [illegible], মোং ওইনা মিতনক [illegible] মিতমকা [illegible] হাইরে। মতৌপুংদা [illegible], তেংপানবা মপু পিনবা (U [illegible] S) [illegible] মতৌ [illegible] [illegible] কৌই। [illegible] [illegible] কৌও।

— ——

Relation with genetic Science

[illegible] ঐদবা [illegible] Gual [illegible] inner cell [illegible] man গী inner cell [illegible] cell [illegible] [illegible] অমি, [illegible] অমি, [illegible] অমি [illegible] কয়াৎ [illegible] কৌজনা ঐদবা মতম্‌বু [illegible] মোম [illegible] হৌবাংবিতাকশিং অসিনা [illegible] [illegible]

ঐশখাবিদমদি। শজিক্কা শিন্নদুনা চিকনা থমই হায়বদি মাং-লেন শক মপুংদা লৈবা Spinal Cod হায়বা শিংদি অচৌবা অচুগী মক্তুংদা কুমথরক্তুনা নুম অনিদা চিকনা লৈবা মতমদু শাজিক্কা শিন্নবা কৌই। মসিবু ইংগী মরিল ইরিল (Spinal Cod) পারি পূরিগী মরিল, চাওদা মাওদাগী মরিল হায়নসু কৌই। মরমদি ইরিল হায়বা তুরেন অমি লায়রাই লেম্ফু নি হায়না থঙনরিবা কৌই চিংদগী হৌরকপনি। মাগী মনা মরেংসু ভবেংনি মমিংদি ইকৌ, ইকুঙ, ইচোট, ইথোই, ইথম অমিনচিংবা ভরেংনি। মথোয় অতুদি ইপা, ইমা, ইচে ইচল, ইয়াম্বা ইনাও অমসুং ইচা হায়দুনা ই পুনবা ভরেং লৈরিবা অচু'ন। অচু ওইবর্দি পাগী পুগী লৈ কাদইদা শাৎপগে? পুরেলোম্বা ওইনা শাৎলে মহাক্কি শিংদি ভোলোম্বানে, অচুগী মমক পাগী পুগী লৈ শাৎখম শিংদি ভোলোম্বা পুরেরোম্বা কৌবনে। পুরেরোম্বানা শন-না খোংদা ভাইবং শন্দোকনবা খোংদা লৈবা মওমদা শঙোং কোয়রিবা মোবাবা কৌনা লৈয়ে। মেংগোক অপানমনা শঙেং অপনবা ওইনা লৈয়ে শন না মহি শান্ন মাঙ কৌয়। মাওবেংঙা ভাইবং শন্দোকনবা ভাইবং শায়া পাথংবা ওইনা লৈদুনা শায়া শয়া শন্দোকয়ে। কায়াৎ লোমগী অকুপ্পা ৱানে. ফম্বালনেন্দা লাইশিংনা ভৌবা থবকনা জগনে, থবক থুদিংবু Supject থুদিংবু মরলেয়ে, লৈক লৈকবা মফমনা মওং ওইবনে। Politics গী থবক, Economy গী

থবক, Geography গী থবক, History গী থবক, Phylosophy গী থবক, Relgion গী থবক হায়রুনা লৈরিবা থবক খুদিং মায়াদে। থবক খুদিংদা লাইশিংগী যাওক ময়াই মথৌ মওম duties & responsibilities লোইনা লৈ, অদুবু থবক খোঃ মথৌ মচংবদি লায়দ, মও মতৌঙ খেদে। Life and Nature নেমবগী অকনবা ইতো অমা লাকপা মতংশিদ। তাইবং শারা পাখংবা (Genatic Science) নৈনবগী মথৌ হায়রা চাওই। পৌরাই যাইবিরেম। তাইব শন্দোকপা মতমদা তাইবং শারা পাখংব (Spurm) ওইনা লৈ, ভোবরেন অপানবনা কাপ্পি ওইনা লৈ। শজিক্তি লুব অফিনে Spurm গী লৈফমনি। থাবাদি লুপাগী কাপোক (Cimen cup) নি। ভোবরেন অপানবনা তাওহুইরোই ওইনা তাওথরকপা মতমদা যাইবি খোরাই ওইগদবা তাইবং শারা পাখংবাগা ইরোইনন তাওথরকই। ওকপুরেম্বি যাইবিরোকনি (Utarus) অমনলোক অউনলোক পুন্না লৈ। থাজনা মপুং কায়রকলথদি অচানলোক ওইরে, থাজনা মমলবদি ঐমমে যাহাব মাশা মিতস্বা ওমদে। যাইবিরোক্তা পুইরোমগা ওকনববু ওকনরেন কৌই। পচেম ওইখিশিংদি থা অমদা লৈ অমা শাংদি (Ovul or human egg) লৈ মমা লৈশাং শুদ্রবদি (10th to 20 days span of fertilisation) লৈরাং মদি তবা ওমদেমে থা অমদা অমুক্তং শাংপা লৈ অদুবু থাজগা চাংদমননা লৈথাবিরবনি। হায়রিবা Human egg অসি 10th

to 20 days মুক্কবদি মপুক কাদবা মরমনা fertilse তৌবা ঙম্মে; Fertilise তৌবা মতমদা Spurm না Human egg অসিবু চিকশংতুনা মখুংদা চংগ্রগা তুমিনা লৈখি। অতুগা তুংদা Nature দা Spurm অতুবু মখং মখং ওইনা Metamorphosis তৌদুনা মওং হেংকললকই। অমুমনা ওইরক্তুনা মপুং ফাবা মতমদা থা ৯ মুমিং ৯ পুং ৯ চংই। Woom দা নবা অঙাংনা মখং মখং Metamorphosis তৌদুনা মওং হেংলক-পবু ঙাম্মু ওইনা নিঙম্বা, হায়োই ওইরকপা মোংগী শকলেন লৌরকপ, শ মুখী শকতম লৌরকপা হায়না লৈখাবিরম্মি।

তেংব নবগী মপু শিদব (Universe) গী মওং মতৌ পানদম ওইরগা মীওইরতুনা শাই কাযবদি তাইবংমী অমগা তেংবানবা পুম্বগা চপ মাৎনা হাবনি। খৌরাইচিংচা মহাকনা তুংথ ওইরে, Plant না শকনা ফিৎ নাইকং, মাতোমনচিংবা রেঙ মাপল ওইরে। কেকনা লোংথৌ অতিঙা ওইরে খোয়-দোম ... ওইরে খম্মোয়ম্বা থৈ ইনিং মুংশিংকি তুংনফম ওইরে। Plant অহাঙবা কোয়চং চংশঙনা মী ঐখোয়গী কোইচৎ চংলে। ঐ ওইবা পুখিংনা মশাবু মশানা চারগা কিং-বগুম ত ইবংগী থোৎকন, থোয়াক্ত পানব.নি হায়না খঙনিংবা লেনশাং নাপি শা ডাযচি বা চ মগা হিংলিবা অসিনি। মরম অতুনা তেংবানবগী মপু (Universe) অসিগা তাইবংমী অমগা চপ মাৎনা অতুগীদমক তেংবানবা মপু শিদবগী মওং মতৌ লৌরগা

মিতয়ঙ্গনা য়াম্না খুংশিনা শাই হায়দুনা মিশু হায়বা অ হৈ অসি য়াওরিবনি।

তাই-পং-পান

তাই=তাইনবা মরক অমদা। ঐখোয় তাইবঙমী হায়বা অসি তৌবা ওমদবা পমখৈনা থম' লৈ, নোংদম্বা নোংদম্বীগী খোৎজালগী মথা পোম্না ঐখোয় হিডদুনা লৈরিবনি খঙ্ঙিকং শোইবদা শিবা হায়বদু ওটনা অশিবগী থাম্বাক্তা তাই। ঐখোয়না ঈশিংগী মথুংদা, লৈগী মথুংদা, লৈবাক লৈরোমশংদা, নোংখো অতিয়াদা লৈবা ওমদে। মুং অমমুং পানগী মরাইদা তাইনবা পূমনমক্কী তাইনবদা ঐখোয় হিংলি। অপিকপা Atom অমমুং Bactaria নি Germ বুদু উবা ঙমদে, চাওরবা Uoiverse অসিনি Milkey way দা লৈরিবশিং অদুবুদু খঙবা ঙমদে। তুমিৎ য়ুরানগী মখোল তাবা ঙমদে, হৌরবা Supper sonic কী মখোলবুদু তাবা ঙমদে। ইঙথমবসু লৈবা ঙমদে, শামমবসু খাঙবা ঙমদে। চাত্রবসু হিডবা ঙমদে, চামমবসু শি। হিডবা অমমুং শিবগী তাইনবা মরক্তা, অইডবা অমমুং অশাবগী তাইনবা মরক্তা, মালেম অমমুং অতিয়াগী তাইনবা মরক্তা, হেন্দোকপা য়াদবা পমথৈ মরাগী মরক্তা, তাইনবা পূমনক্কি তাইনবা মরাইদা লৈবা তাইবংপান কৌই।

পংনা পানবা তাইবংপান

তাইবং হায়বা য়াহৈ অসিদা য়াওরিবা বং অসি পংনগী লাকখিবনি অরিবা লোন্দদি তাইপং হায়নৈ ; মরমদি : ঐখোয় মীওইবা অসি মিৎকুপ নাহুম শিংদে, মিৎ থোবা য়াৎলি। Eagle গী মিংনা মীওইবগী মিত্তগী শকক চামা হেন্না উবা ঙমই। Eagle দি মাইল চামগী অথাপ্পদা লৈবা মখোয়গী চাদবা পোৎ অচৌ মরেক শেংনা উবা ঙমই। উমাইবিনা মিৎকুপ নাহুম শিংনা থুত্তাগী ভা লাকখিবদা তৌকম খঙদনা লৈহৌই। শেক-পিনা Sensitive ওইবগুম মীওইবগী মশাদা Sensitive ওইবগী মতিক ময়াই থরা য়াৎলি। কৈশালনা মথোঙ মখুৎ শিংবগুম মীওইবনা থোঙ খুৎ শিংবা ঙমদে। হৌদোংনা অমনবদা উবা ঙমবগুম মীওইবগী মিৎ-না হদ্রু য়েনা উবা ঙমদে। হায়রিবা শা উচেক্কশিং অসিনা মীওইবগী থোঙ খুং মিৎ-না শিংবা হেন-খিবা মরম থরা আসিন্নু অপংবা মথল অমনি।

ইমা লৈমরেল শিদবীনা চুকি চুকাল ময়াম পাইদুনা তাইবং লিনা শাম্নববু তাইবং কননা খঙবগে। চুকি চুকলি খুদিংদা অশাম নুংশি, কল্লক মিহৌ, অশাও থাদি চৈহৌবগী ইথলনা পুক্নিং রশল্লগী লমজিং ওই, তাইবং পুম্বা শাহৌরি লিনা ওইনা শাম্নরি। তাইবং কনাবু খঙহন্দে, খঙলবস্নু কাওহল্লি।

ওসি শিনি পাওজেন্দে হয়েং শিনি পাওতাক্কে হায়রুমা শিবগী মতম থঙবা ঙমদে। তুংদা করি থোকলগদগে হায়বা করিমতা থঙদনা করিমতা উদনা পানবরু পঙনা পানবা ভাইবংপান কৌই। মথক্তা হায়খিবা মরম ময়াম অসিনা পূনশিল্লগা থিমু (থোমু) ভাইবংমী কৌই।

মতম

হে মতম কৌবি ইবা, ইবা নংগী খোঙলৈগে অঙকপগী মশকনি। নহাক্কী খোঙলৈ মতুং ইন্না গ্রিক কয়া লোমখিদো, রোম কয়া লোইখিদো, চাওরবা ব্রুটিসগী লৈবাকসু মুমিৎ তাবা নাইখিদো, নহাক্কী তাক্সা অমদা নেপোলিয়ান কয়া মাংখিদো, জাপান কয়া তুমখিদে।

হে মতম কোনী ইবা নংদি ভাইহাকসু ভাইরমদে, তুরেনগী ঈশিং ইচেনগুম চেন্থখি অরেপ্পা লৈতনা। অকবা কয়াসু পুরকই, কত্তাবা কয়াসু মাওরকই, অচুম্বসু অর নবা ওইরকই, অর নবা কয়াসু অচুম্বা ওইরকই। বারবা নংলবা ভাইবং কয়ানা ত উথরি নঙগী ইচেন্দা, ভাংরি অক মুংভাইবু। উরি এখোয়গী মিত্তা বারবা

কয়ানা মুংঙাইরকপা, মুংঙাইবা কয়ানা ৱাররকপা, অচৌবা কয়ানা পিকলকপা পিকলবা কয়ানা চাওরকপা।


হে মতম কৌবী ইমা নংনা থৈরাং কয়াবু মুলহল্লকই, লৈরাং কয়াবু শাংহল্লকই। মীরোল কয়া লাকহল্লি, মীরোল কয়া চৎহনখি; ফজবা ফুরা দলানদু নিংখাইরকই, অনৌবা কয়াদু শাগৎলকই। মাঙখিগনি থুদিংমক অমমবা ওইনা, লাকখিগনি অমুক থঙানবা ওইনা, পোকপা শিবা অরাবা মুংঙাইবা লাইবা তাইবংদা, মতমনা পুরকপা মনাদি নংগী অশেংবা মনানি; মতমনা পিরকপা মহৈদি নংগী অশেংবা মহৈনি।

————

হায়রিবা মতম হায়বা অসি অতৈ কয়িম নত্তে মুৱিং থা থরানখিচাক অমত্তং মালেমগী খোঙচৎপুনি। মালেমগী খোঙ-চৎতগী মতম হায়বা অদু ওইখিবনি।



মতমগী থোঙলৈ থোকখিবগী বা



কোইলৌ সুমিং :

অচৎপা থরাই পানবা পুম্নমক কোইংলেঙ লেঙদুনা কোইচং চৎনুনা পুন্সিগী হি নবা লাংমকদা অমা মালেমদা ওই। থোরাই পানবনা থোরাই পানববু কোইথি থি, হেক উবগা কোইতান ত নুদুনা কারগা হাংতোকই ঙদুগা চাই। ঐখোয়না চারিব চেঙ হায় ই যনা মশিং, শা—ঙ পুম্নমক থোর ই প নবা ডাকনি,

অচৎপা চংতবা খোংগাই পানবা হায়রা থায়দোকপদনি। লেঙলি পাল্লিবা পুম্নমকপু পুন্নবা মালেমনা সুমিৎকি অকোইবদা কোইনা কোইরা চংলি। চংলিবা লম্বি অসি হেকন মওং মানব অকো-ইবা লম্বা অমমদনি সুমিৎমা মসিগী মমাইদা লৈ। হায়রিবা অকোয়বা লম্বি অ'সগ' মমাইদা লৈবগীদমক কোইলৌ (Focal poinat of the ellipsr) কৌই।

Plauet মাপলনা সুমিৎকি অকোইবদা চৎপা মতমদা Traek অচুদগী কেন্দ্রাক হেনক্তিন ভোইম্বনবগীদমক সুমিৎকি Maguate Power না কোইকা কাউনা কোইলৌ কৌহুনা থমই হাপ্তুনা কোইলৌ কৌই। কোইলৌদগী কোইরো লাকখিবনি।

অচৎপা খোঙ্গাই পানবশিংনা ফিজমবগী লামকমদা কোই লেঙ লেঙহুনা কোইচৎ চত্তুনা চান থকনবা ফিবা মতমদা থাংবা চিংবা থাংজিং (Energy) কায়বা অমমা খোঙ থাংহুনা চৎলিবনি। হায়রিবা E er.y হায়বা অসি ফংনবগীদমক চারিবনি থকলিবনি। মরম অদুনা চান থকনবা থিরিবা অসিসু Euergy বু থিবনি। অদু ওইরবদি Enc.rgy না Euergyবু থিবনি, Energy না Energy বু চাবনি, অদুগা Hnergy না Energy দা ফিনখিবনি। কম্রিগীদমক Energy ফংলগা হিংনবগীদমক। হায়রিবা Euergy হায়বা থাংজিংগী মতিক মমাই মথৌ মওং অসিদি সুমিৎকী মঙাল অমসুং মৈশাদগী

ওইরকপনি। মরম অদুনা কোইচৎ চৎনবগী পাঙ্গলবু লৌন-বগী মকম কোইলৌ কৌরিবনি।

নুমিৎ:

নুপা নুপি, লাবা অমোম থাইবা অচৎপা চৎতবা থৌরাই পানবা থুদিংবু নু কৌই। হায়রিবা নু হায়বা, থৌরাই পান-বশিংগী মিংকি ওংনা থানবা য়াত্রবা মতাম হায়বা অমা নুমিৎনা পি। নুমিৎ থোকক্লবদি অচৎপা থৌরাই পানবশিংনা মিৎ পান্নবস্থ ঊবা ঙমদে। নুমিদাংগী মতমদা থৌরাই পানবা পুম্নমক মিৎ তাংবগুম ঊবা ঙমদে হায়দুনা নুমিদাং কৌই। হায়রিবা মতম অসিদা অতানবা ওইনা থোকলিবা লজিক থাবা থানচিংবা অসিস্থ নুমিৎকী মতেংনা ঙানবা মরমনা নুমিৎ হায়বা অসি লেঙলি পাল্লিবা পুম্নমকি মিংনি হায়বা ঙাই। মৈনা চাকপা পোৎ থুদিংগু নুমিৎকী মতাম অমম্তুং মৈশাবু তুংশিন্দুনা থম-দগী চাকলিবনি।

অমং অমান নাপি শিংবীগীদি মমিৎনা মথোমগী থৌরাইনি। রাগী মমিৎ, ঊগী মমিৎ, ফৌগী মমিৎ হৌরাইগী মমিৎ হায়-দুনা লৈরিবা মমিৎ থুদিংদু মথোমগী থৌরাইনি। হায়রিবা থৌরাই ওইবা মমিৎ অসি নুমিৎকী মতাম অমম্তুং মৈশা কং-ত্রবদি মযোল চোংবা ঙমদে। মরম অদুনা নুমিৎ হায়বা অসি

অশং অমান মাপি শিংবিনী থৌরাই ওইরিবা মমিংকি মিংনি হায়বা তাই।

মালেম লৈকোইপুঙ :

ঐথোঙ থৌরাই পানবা অচংপা চংতবা পুম্নমক্কি মমা ওইবা মাম্না লেমমা চাওবা লৈ হায়ছুনা মালেম কৌই। মশা মতোমতা উক-রু লৈবগা লোয়মনা পুম্নমংকি অকোইবদগ্ন কোইনা কোইনা চংলি অদুগা মতুমদু তাই হায়ছুনা লৈকোইপুঙ কৌই।

মাইকৈ শুংদাই

পোং খুদিংমক্কি মাইকৈ মরি শুংদাই নিপাল লৈবগুম মলেমবু খা-মাং নোংপোক নোংচুপতা কারল চিংদুনা শরুক মরি থোকনা খ.এংদোপপবু মাইকৈ মরি কৌই। মহুদা কৌব্রু, মৈরম, চিংথৈ, শন্থোং হায়বা 90° গী angle মরি কংগনি। অমুক কৌব্রু, মৈরম, চিংথৈ, শন্থোংবু কারল চিংদুনা মরিদগী নিপাল থোকনা খায়দোকলবা মতমদা 45° গী angle নিপাল কংগনি মশিবু মাইকৈ মরি, শুংদাইগা থারগা নিপাল কৌই

তুংলাই হায়বদি থা বাং লোংপোক লোংচুপ্পনি।

মাইকৈ অসি তুংলাই নিপালবু ঙাকলিবা লাইশিং অসি অমগা অমগা মাইয়োকনবা, লাম্বী লাম্বা ওইনা মুকনবুমা অঙম তাপ্পগী মওংদা লৈবা মরমনা মালেম অসি অকাই অতোই যাও- দনা লৈরিবনি। কাংখোন মখোঙ মরিনা অমগা অমগা মুক- নক্রবদি কাংখোন ওইবা যাদবগুলানি। মাদু অমাদি:—

১) লোঙপোক্তি অঙানবগা, লোঙচুপকি অমম্বগা।

২) অৱাংগী অৱাংবগা, থাঙী অনেবগা।

৩) মৈরমগী নুংশাগা, কৌক্রমী লোংগা।

৪) শম্বোংগী নুংশিৎকা, চিংথৈগী উনগা।

মখোয় নিপাল অসি মুকনবগী লোইবা নাইদে, ওমনদনা অচুম লৈরি। অদুম তোক্লনা চাংচৎ অমদা তাইবং মীয়াম অসি অশোই অঙাম যাওদনা লৈরিবনি।

১) অহিং-নুংথিল, অমম-অঙান থাইবা (Day & Night)

অঙানবগী হৌরকফমদি নুমিৎনি, নুমিৎকি মঙালবু অঙা- নবা কৌই। নুমিৎকি মঙালবু মালেমনা থমজিনবদা অমমবা মখি অমা থোকই, মহুবু অমম্বা কৌই। মতৌ অসুমনা নুমিৎকি মঙালনা মালেমদা মৈবদা মালেমগী তংথাই অমনা ঙালি, তং- থাই অমনা মমই। অমমবা তংথাই অদুবু অহিং কৌই, অঙা- নবা তংথাই অদুবুমা নুংথিল কৌই মালেমা লৈবরেম কোনা তপনা তপনা মতোমদা উরু রু থৈবদা অহিং অমুক নুংথিল অমুক থওনা থওনদা থোকহল্লি। অসি


অ'সনা পূল্লগা নোঙমা কৌই। মুমিৎ থোকলকপবু নোংভানবা কৌই। নো'ঙ ভানবা অমদগী নোঙ ভানবা অমবু নোঙমা হায়না লৌরৈ। মুমিৎ থোকলক্লনা নোঙমা নোঙমা হায়বা অদুবু পোকপা মকখবু নেংপোক কৌই। নোঙমা নোঙমা হায়রিবা অঙানবা মুমিৎকি মখেক মঙালবু চুপশিনখিল্লনা অমমা ওইহন-খিবা মকখবু নোঙচুপ কৌই।

মতৌ অসুম ভৌনা অতিয়া'দা থোঙচৎ লাইনা অমম অঙান থায়মা, নোঙভানবা মুমিৎ তবা লাইনা লৈবা অচৌবা পোৎ খুদিংবু নোঙথোঙ (plannet) কৌই।

মালেমগী নোংপোক্তা অসুম এরোপ্লেন ভো'ল্লনা অয়েপ্পা লৈতনা চংলবদি নো'চুপতা অমুক হল্লক্লনা হায়গী মফমদা লাকানি। মালেমগী নোংপোক্তি Japanদি হায়রৈ Japanes—শিংনদি Americaবু নো'পোকনি হায়না লৌই American-শিংনা Europeবু নোংপোকনি হায়না লৌই; Europeনা Asiaবু নোংপোকনি হয়না লৌখিবদগী Asiaগী নোংপোকথংবা মতাইদা লৈবা Japanবু মালেমগী নোংপোকনি হায়খিবনি Britishনা মালেমপুম্বাগী মপু ওইবা মতমদা London কাওহনা থেকলিবা O° বু মালেমগী হৌফম লোয়কম ওইনা মীয়ামনা উহল্লি। মশিগী ওম্না তৈনবদা লৈবা International Date Lineবু তারিক লেপনবা অ মংগী নোংয়াই ওইনা উহল্লি। হায়রিবা লৈই অসিগী নোংপোকথংবা অহনা নোংমাইজিং ওইবা মতমদা

নোংচুপথংবা অহুমদি নিংথৌকাবা ওইথিব মরমনা 1st January ওইছনা চহি হৌখ্রবস্থ নোংপোকথংবা অহুদি 3 1st december ওইনা চহি হৌদনা লৈরৌই। মসি মিওইবনা শেম্বা Inter- nrtional Date Lineনি। অদম অতান থাম্বিবা লাইগী পরিং পথাপ মতুং ঊম্না য়েংজুববদি মসি চুমদবা অমনি হায়না লৌরে। মালেমদা নোংপোক নোংচুপ লৈতে হৌকম লোমকম লৈতে। মতুম তাবা পোৎ অমনা লৈদুনা লৈরিভে মতমদা অহুগী করবা মফমদগী লৈব হৌখবনো হায়বা হঙ্গা হৌমদে। হৌকম লোমক- মদি মহুদবা অমম্বা অমদা লৈবা মপু মহাকনি ; মরম অদুনা মালেম পূম্বাগী ওইবা নোংপোক নো'চুপ লৈ.ত মশা মশানা লৈবা

POLE STAR



SOUTH STAR

মকমনা স্থলকম ওইরগা সুমিৎ থোকপা মকমবু নোংপোককৌই, সুমিৎ তাথিবা মকমবু নোংচুপ কৌই হায়না লেপলে।

<u>**Mechanisom**</u>

মতুম তাবা পোৎ অমগী থকথা অনিদা লং অনি পান্নগ অমাংবদা য়ান্দুনা থম্বাদা পোৎ অচুউক উন্নু তৈদনা তৈবগুম' মালেমগী থকতা তৈবা থবানমিচাক শিদবা (Pole Star)দে.। খাদা তৈবা বাণ্ডমরেন (South Star)দে অনিগী অকনবা Magnatic powerনা লং ওইরগা মালেমনা য়াইদা তৈবা মতুম-মতাবা পোৎ ওইথিবা মরমনা মতোমতা উন্নু-ন্নু তৈদুনা তৈবনি;

মালেমগী খোংচৎ

(Revolution)

নোংথাং তৈবা (Power) শি মচা থাংজিংবা মালেমবু থাংবা অমসুং চিঙবগী থবক তৌই হায়দুনা থাংজিঙ (Energy) কৌই, অদুম তৌবদা মালেমনা য়াংবা চৎলি হায়দুনা অয়াংতৈবা পানথোইবী (Valocity) কৌই। মালেমনা সুমিৎকী অকোইবদা কোইনা চৎহনবগী থবকপু থাংজিং (Energy) না তৌই হায়দুনা কোইরেন লাই হায়নদু কৌই। মতৌ অসুম্না সুমিৎকী অকোইবদা মালেমনা য়াংবা চৎপদগী মালেমগী খোঙচৎ খোকনকই।

থাংবা অমসুং চিংবগী থবক্তা অকায়বা থোক্তনবা, চিংবগী পনবৈ (Limitation) অমা থবই হায়দুনা, চিংবগী পনবৈ (Regulatar) কৌই।

থাংজিংগী Energy না মালেমদা অকনবা Force অমা পিদুনা Velocty অদুবু Regulate তৌমবগীদমক চিংথৈ লৈরে অদুনা মালেমগী খোংচৎপু অক'ই অতোই লৈহন্নে, অশোই অওাব য় ওহন্দে। মরম অদুনা চহি অমগী মতম সুমিং ৩৬৬ পা পূং থরা চংবা অদু চহি খুদিংগী শুংবাই কায়হন্দে।

ENERGY = MASS VILOCITY

EIHSTEIN

থাংজিংদি থাংজ নিংথৌ (Saturn) নি। থাংজা নিংথৌ থাংজিং (Saturn)গী অকে,ইবদা ring অরেৎনা লৈবা মরমা Power পোকহল্লি।
Power না Energy না Force.Force ন Velocity ওইনা মথং মথং খে কহন্দুনা Plaunet মপালগী খে ওচৎ খোকহল্লি।

চিংথৈদি মগোনবেম মরু Jupiter নি। Jupiter নাPl- annet মপালগী মপুংদা থাইদগী চাওবা মরমা Regulatar ওইরিবনি। Jupiter গী খোংচৎনা কায়ত্রিবথৈ Plannet মপ- লগী খোওচৎ কাবরোই। Jupiter বু কাবা ওদা Power অমা লাকলবদি খে.ওচৎ লোইনা কায়গনি। মরম অদুনা Jupiter হায়বা অসি মালেমগী খোংচৎতা মায়া মক ওইবা থবক অমনি।

Generetor না Power খোকহল্লি. Power না অপিক- পা Weel অমা দা Energy পিরকই, Energy না Force

খোকহমন্থনা অচৌবা Weel অমবু উ হন্নী মন্থনা থবক তম-কলহনদি লাইরে। থবক অন্থনা চাক্রিক চাগ্রাক পাইবা থঙক। থঙকা কাবা থবক তইরবদি Free দা অচৌবা Weel অমা কয়া উংহন্দ্রবদি Engine গী থোংজেল কোইরক্লুগা ঙৈমুংলি। মরম মরাব অসিনা তাকপি মহুদি Jupiter অমসুং Saturn ম Plannet মপানগী খোঙচা থোকহল্লি অমসুং পুই।

মালেমগী খোংলম
(Orbitor Track)

মায়রজিংদি অরাংদা লৈ, মালেমগী অরাংদি North Pole নি। মাহক্ষোকক্তি মায় খোঙুপ খে ংলবদ লম চিংবা লমজিং-বা হাইবনি। মায়জিং (North Pole) দা মালেমবু মায় খে'ঙুন খেঙলমদা লমজিং ওই হায়জ্নুনা মায়জিং কৌই। মা-লেমনা সুবিকী অকোইবদা চংপদা, যেরুম মওং মানবা অকোইবা অমদা চংলি। মসিবু মালেমগী 'খোংলম Orbit নত্রগা Track হায়না খঙৈ। খোঙলম অসিদা খা-মা চা-ওবা (Sout pole) দা মেম্নোক হেমজিন তৌদনা চংলি। লমদা হায়রবদা অরাংথংবা Pole গী Axis লম চিংলগা, খা থ বা Pole গী Axis দা খে ংলম অন্থদা অকায়বা লৈতনা চংলি

চায়বনি। থুং অমম্মা মতোমদা উংবা মতমদা থাথংবা মচিন অদুনা' চৎলি, অদুগা মথক্কথংবা শারুক অদুনা থুং অদুবু তুমনবা লৈশগোক পৈশিন ভৌচুনা Balance শাননারগা থুং অদু উংদুনা কোইচং চৎপগুম, মাগেমনা নুমিংকি অকোইবদা লৈবা থোংলম অতুপা অকায়বা লৈতনা চৎলি। হায়রিবা লম্বি অসি থুংনবা চৎপদা নুমিৎ ৩৬৮ গা পুং খরা চংই। মসিবু চহি অমা কৌই। চহি অমগী মতম অসি হেল্লোক হেনজিন লৈতে অকায় অতোপ্পা মাপ্তদে। মরমদি মায়জিংনা Balanc পুম্বা মাগেমগী থোৎচৎকি থোংলমদা লমচিংবা মমমদগীনি। মায়জিংগী থা-না চাওবাগদি অমনা কিরুমি অমমা হিনাওনি, তংন থানবা মাত্রম মওংনি। চিনাও শাবনা হিনায় চুংত্রাবদি হি অদু হিয়মদা চৎপা মাবা হৌদদে। হিয়বদি লম্বিনি পম্বিং পথাপ অমগী মতুংইন্না চৎকন-বনি। পম্বিং পথাপ অদুবু পায়রিবদি মায়জিংনি, পম্বিং পথাপ অদুবু ইন্না চৎলিবদি থা-না চাওবনি। হায়রিবা পম্বিং পথাপ অসি কায়দবা মরমনা চহি নিমিং নিমিং শুনা চৎলকলবা থোং-লম অসি কায়দে। মরম অদুনা চহি অমগী মতমদ্ নুমকায়ক মদে।

কুম্থি কালেন থাইবা (SEASON CHANGE)

মংলেমগী লেমফু (North Pole) মায়জিং অসি Magnatio poel অমনি. মসিগী থর নবিচাক শিদবা (North Star)গী, Magnetic poleগী অমিগী থকভোকনরকপা অকনবা efficta

মালেমবু $33\frac{1}{2}^\circ$ পেথহনখিবনি । অসুম্না ম লেমগী বাং-
মদা লৈবা বাংত্রেল (Snoth) গী, Magnatic Pole গা খা-মা
চাওবা (South Pole) গী' Magnatic pole গা অফিগী থ-
ওাকয়কপা Effect নম্বু $33\frac{1}{2}^\circ$ ইপেথোকহল্লি । মরম অদুনা
$33\frac{1}{2}^\circ$ অনি (N+S) পুনসিল্লপা 67° পেথে হাইনা লৌই :

$$\left[33\frac{1}{2}^\circ + 33\frac{1}{2}^\circ = 67^\circ\right]$$

কৌক্র :

কৌক্র হায়বদি কৌব মক হায়বনি । করিবু কৌবনো হায়ব-
বদি নোংজু মুংশা, কুম্হি কালেন, অচিক অশা হায়বা Sea-
son তরুকপু মথং মথং ওইনা কৌবনি । করিগীদমক , মালেম
দা নোংজু নোংশা, কুম্হি কালেন, অচিক অশ থায়না লৈসবগী
দমক । মরম অদুনা Root cause of season change
কৌবা মরু, কৌক্র কৌই । করমনা থোকহনবনো হায়মা root
cause ওইরিবা লায়বদি $33\frac{1}{2}^\circ$ পেথোখিবা মরম্না মুমি-কী
অকনবা লৈশাবু, মালেমগী মাথহিংথংবা শরুকশিংদা হঙ্গৎ হন্দা
চৎখিবা মরমনা, মফম সক" খুদিংদা High Pressur, low

pressure থোক্কনুবা season change থোকহনবগি হায়বা অাই ।

মালেমগী অয়াংগি North pole দি অক্সু $33\frac{1}{2}°$ দৈশখিবা ময়মনা কোক্রনা অয়াং ওইরে. North pole দা চিংথৈরোমদা দৈশখ্রে । মালেমদা লৈবা মীনা North pole বু অয়াংগি হায়, অক্সু Axis অক্ন দৈশখনা থেকপা মতমদগি কোক্রন অয়াং ওই । ময়ম অক্সনা অয়াংসু ওইবা কোক্রসু ওইব, অদিগী অপুনবা অসপ্পা হায়বগু ওইরে । অক্সুগীদমক অয়াং কোক্র অসপ্পা কৌখিবনি । হায়রিবা অয়াংগি কোক্রগি হায়বনা থেংনরিবা মালেমগী মফম অসি North Temperate zone ওইবা ময়মনা মীওইবনা খুন্দা লৈত ফুনা লৈবনা খাইদগী খুদোংচাবা সুংঙাইরবা মফম অমা ওইব ময়মনা লৈবা খুন্দ অহানবা কোরে । থেনহৌদৈদগি লৈমানিংনা কান্না খুন্দাই, পিবনা খুন্নাবদি কুইদ্রি অক্সুগীদমক লৈবা খুন্দা অহানবা হায়রিবনি ।

বোংজু সুংশ „ কুশি কানেন, অচিক অমা খায়দ্র । Season ওক্লকপু কোক্সনা ওইহনবগী root cause অম, ওইরিবা অসি $33\frac{1}{2}°$ দৈশখিবা ময়মনি । হায়রিবা $33\frac{1}{2}°$ দৈশখিবা ময়ম অসিনা মালেমনা সুবিৎকি অকোইবদা কোইনা চৎপা মতমদা, সুবিৎকি অকনবা দৈশাবু মালেমগী ময়াইথংবা শারুকশিংদা হঙ্গং

হন্দা চৎলিথিবা মরমনা মফম খুদিংদা High pressure Low Pressure থোকহনহুন' নোংবু থৈদোক থৈজিন তোই হায়রু বা নোংথৈ নউ লিংবা লম কৌই। নোংবু চুহল্লি হায়রুবা ঈলিক ঈপান থাবা লম কৌই।

অল্লাং কৌঞ্রু অম্বুপ্পা, লৈমা খুন্দা অহানবা, নোংথৈ নউ লিংব লম ঈলিক ঈপান থাবা লম কৌবদি অসিনী। কৌঞ্রু চিঙদা নোংথৈ হাগবা অঙাংবা মুংগী লিক অতুগী পান্থি হোদে, নউ লিংদে। কৌঞ্রু কুমদম্বাদি কায়দৈ।


লৈমরম

মুমিৎন চিংথৈদা থোকপা মতমদা ঙাঙ্লনবা মচুগী অলেংবা মঙাল অমা থোকই, নোংপোক মৌরকপদদি অঙৌবা মঙালগা লোইমা লুমবু লুমবু শাবা লৈমা থরাদমক থোকই। লৈরম মৌরক পনদি মুমিৎকী মঙাল তরেং লৈমা তবেৎঅদু শুনা কঙবা মরমনা অক নবা লৈমা থোকলকই হায়দুন লৈমী মরম লৈরম কৌই। হায়রিব লৈমী মরম অসি Tropic of Capricorn অমসুং Tropic of Cancerগী মরক্তা থ'দা অমুক অরাংদা অমুক হঙ্গং হন্দা চৎপগী থবক অসিসু $3\frac{1}{2}$0 পৈথোকখিবা মরমনা থোকলকপনি হায়রিবা হঙ্গৎ হন্দা চৎলিবা মুমিৎকি লৈমা অসিবুসু লৈরম কৌই। মালেমগী খাদী South poleদি অদুবু $33\frac{1}{2}^{\circ}$ পৈথোকখিবা মরমা থা ওইদ্রে, লৈর-

মনা খা ওইরে অতুগীদমক খা মৈরম কৌরিবনি।

কৌক্র কুমদম্বানা নোংগী root cause ওইরে মৈরমনা নুমিৎকী অকনবা মৈশা ওইরে অনি অসিনা মূকনবা অচম তাম্নমদগী High Pressure Low Pressure থোকহন্দুনা নোংজু নুংশা থোকহনদুনা নুমিৎকি মৈশা য়াম্না কনবা মফমদা Low Pressure ওইরে Low Pressureশৈবা মফমদা কৌক্রুগী নোং তারকপদি মহৌশানি। মখোয় অনি অসি তংনা থানবা য়াদবা মওংনি। High Pressure শৈবা মফমদা মৈরমদগী নুংশা লাক পত্র মহৌশানি। অসুমনা মাইকৈ মরি শুংদাইগা থারগা নিপালগী লাই চনা মালেমগী থোংচৎপু কায়দনবা শিনবদগী তাইবংপান অসি অকায় অতোয় য়াওদনা লৈরিবনি। অসুমনা থোংচৎ নাইবা Solar System অমবু তাইবংপান অমা কৌই।

মলেমগী সথাই মচেৎ



লেঙলি প ন্নিবা অচৎ চৎতা খোৱাই পানবা পুম্নমক্কি মমা ওানা মালেমনা ঐখোয় পুম্বা যোকপিরি। মালেম ইমাগী মতম্বাক্ত ঐখোম পুম্বা চারি তিংলি মুংঙাইনা পাল্লি। লাইমকনি হান্নবা লৌগ্রিবা মালেম ইমাবু নিংবদি ইরৈপাক ইবমদমবু নিংবনি।

শাইওন লাংওন মাখি মালেম ইমানা (১)নৈনবেন কৌনা মতো মত উক ক লৈবদা অহিং মুংখিন অনিবু থংনা থংনবা থোকহল্লি। [২ অগাং লৈমা কৌনা মুখিৎকি অকোইবদা মাংন চৎপাদা অতিং অশা থাম্নহল্লি, নোংজ্ম মুংশা থোকহলি। মহাকি শাথাই অমদা (৩)পান্দা খোইবি পাঙ্গোইবি মালেমগী মপানথংবা শরুক থোৱাই পানবমা লৈবা মাবা মক্ষম লৈ ঈ শিং মুংশিৎ কণ্ডবা মকম কৌই। (৪)মুংগী লৈরোন অথেনবি মুংখেন লৈমা মাইকবি, হৌগী রাইগী

তুংমরম (Mineral Resorces) ওইরিবা, মচুংদি ওইবা থেনবদি থেনবা মরমবু মুংথেন লৈবা কৌই। (৫)ময়াই থংবা শকক্না মহি ওইবি মহিরেন শিদ শাইওন ওইরিবি, মুংগী অচেৎপা ওইবিনি মহিরেন শিদবি ইমানি। (৬) মালেমগী কংকালগী শকক মথেমা কংলৈপাক কৌখ্র। [৭)ঈশিংগী শকক মথেমাইরৈবা হিমা ওইখি মতৌ অশুম তৌবা মালেমগী শাথাই তরেৎপু লৈবা তরেৎ য় মনা থংনখি।

নুংশিৎকী মবোল

মালেমগী থক্তা লৈবা হায়ুম শিদবা নুংশিৎকি কুংম্ৰাম অসি (১) লৈথক (২) নোংমদোন অমসুং (৩) নোংথক কাদনা মথক অহুম থোকনা খায়দোকপা য়াই।

(১) মালেমগী লৈমাইনগী নোংনা পাইরিবা মকম অহুম্কাওবনা লৈথক হায়না কৌই।

(২) নোংনা মরোল মরোল মাইনা পাইরিবা মকম অদুবুনা, নোংমদোন কৌই। (৩) নোংগী মথক ওইবা অপাবা নুংশিৎকি কুমে মু নোংথক কৌই।

Infinity দি অতিংকোকনি Root of Universe তি য়াতং-কোক মরুনি, End of the Universe তি অতি থমনি। 17t'h Century দা লৈতেগী ইপা ইপুশিংনা Infinity Root of

Universe অমসুং মসিগী অরোইবা End of Universe গী মরমদা খন্না নৈনবা হৌরমলে।

অকুবা Sciense গী বাবু উমালোন্দা, ইরাই লাইনা লাইগী বা, লাইরা ওইনা, পাখোঙ ফোংবগুম ফোংদোক্লকপদা মোকনিংব অমদি মমল য়াওদবগুম থনবদি মহৌশানি।

Natural Phenomina গী secrecy ওইরিবা সুমিৎ, থা, থৌবানমিচাক অমসুং মালেমগী মতিক মঙাই, মথৌ মগুম, থৌওং থৌদাবু, খঙদবা অমম্বা ওইনা নৈরম্বাদগী, ইরাই লাইবা মওংদা ফোংদোকলকপদা, চিংথৈ ফিভম হাঙদুনা অমম্বা অদু ভানথোকলকপগুম Natural Serecy নৈত্রবদা, লাই নৈত্তে হায়না লৌখিবা য়াবসু নৈ। খঙদবা অমম্বা খুদিংবু লাইনি হায়না লৌনৈ। খঙদবা অদু খঙলবা তুংদা লাই নত্তে হায়না মীয়ায়া লৌনৈ। লাই হ'য়বদি হিংবদা চংদবা য়াত্রবা পোৎ খুদিংমু লাইনি; খুদম ওইনা কায়রবদ কৌচেঙ (ফৌওইবি) পৈশা [লননৈম], থবক থৌওং [শিননৈমা] কোইরৌ, মালেম পুম্নমক অসি লাইনি। খঙদবা অমম্বা ওইনা নৈবা পোৎ অদুদি লাই নত্তে,, খঙদবা অমম্বা হায়না কৌবা তাই।

Natural Phenomina গী Object ওইরিব সুমিৎ, থা, থবানমিচাক, মালেম, নৈ, ঈশিং, মুংশিৎ, থবাই য়াইবিরেম হ.মগুমা নৈরিবশিং অসিদি শিদেযে, অদুগী দমক শিদবা কৌবনে।

শিদবা কৌবা লাইদি মনানা পোক্লে, পোকপা শিবা লাইদে শিদবা কৌবা লাইবু নিংবদি Natural Object পু নিংবনি। পাথংবদি পোকপা শিবা লাইয়ে, করিগীদমক, মমানা পোকপা ময়মনা।

অচিক-অশা থাউবা

Weather

অশাবগী হৌরকফমদি নুমিৎনি, নুমিৎকী মৈশানা মালেমদা মৈবদা অশাবা থোকহল্লি। অইবংগী হৌরকফমদি অমমবনি, নুমিদাংগী মতমদা অমুক অমুক ইংথরক্লুনা অইংবা ওইহল্লি। অমি অসিনা পুল্লগা অচিক অশা হায়বদু ওই।

নুংশিৎ থোংদি শস্থোংনি, নুংশিৎনা মালেমগী শস্থোংদগী পাকনা শন্না শন্দোকতুনা মালেম পুমনা হুমলেন হামলেন ওইনা শিংনি। Southern Hemisphere দা Westerlies নত্রগা roaring forties কৌবা অকনবা নুংশিৎ অমনা নোংচুপ্তগী নোংপোক্তা অরেপ্পা লৈতনা শিংপবু শস্থোংগী নুংশিৎ কৌই। নুংশিৎতি মান্না থুনা শন্দোকখনবা, পাকথোক চাওথোকখনবা পোৎ অমনি. মৈশা থজিক্লং কংবদা হেক্তা পাকথোকই, হেক্তা চাওথোকই, পাকনা শন্না শন্দোকই। অচুম্বদমক শস্থোংদগী নুংশিৎ থোকই অমম্লং

নুংশিৎ থোংদি শন্থোংনি হায়রিবনি। থোইরাং কবোক চাইবগী থৌরম তৌতুনা অশিং অরান খা ওইবগী মরমনি অসিনি।

য়াম্না য়াওবা, পাকনা শন্না শন্দে কুনা লৈবা, পাবদগী পাবা নুংশিংপু অইংবনা শাজিন পুনশিন্দুনা তাশিল্লগা উন ওইরকই। অদু ওইরবদি নুংশিংপু ফাজিন পুনশিনবা ঙমবদি উননি হায়বা তাই। উনগী হৌরকফমদি চিংথৈনি। মালেমগী অরাং নোংপোক থংবদা লৈব Great Siberian plain হায়দুনা লৈরিবা মফম অদু চহি চুপ্প উন্না কুপ্তুনা লৈরিবা অদুনি। নিংথমখাগী মতমদা Siberia দগী উন পুবা নুংশিংনা Northern Hemisphere দা শিৎপদা উন তাই। North East Cold Wind কাযহনা Siberia দগী অইংবা নুংশিৎ হৌরকত্রিবা মথৈ উন তাদ।

হায়রিবা পাপ্রবা য়াংপ্রবা শন্দোকখনপ্রবা নুংশিৎ অসিদগী হেন্না য়াংবা অমস্থু লৈরি মতুদি ঈশিং নুনিম্নি। ঈশিংগী মরিম্না নুংশিৎকী হেন্না য়াংবা মরমনা, নুংশিৎকি অথাবা মরোলগী মথক্তা পাইথংলি। মপাবা মরোল থৌরবদি হেন্না পাইথৎপা ঙমদে। মফম অদুদ ঈশিং নুনিলশিং অদু লৈচিন ওইনা পাইদুনা লৈ। লৈচিন অদুনা কুংশিন্নকলগা নোং ওইনা তারকই। নুংশিৎকি নৈশাগা Siberia গী উনগা অমি অমিনা মরম ওইদুনা নুংশিৎ অহন্থুং লৈচিনবু মালেমগী মফম খুদিংদা পুদুনা চৎলি। হ মরিবা লৈচিন অসিনা মফম খুদিংদা নোং তাহল্লি।

নিংথম কাম্বী (Climate)

চহি অমগী মনুংদা খোকখিবা নোংজু মুংশা, কুম্বী কালেন, অচিক অশাগী অপূনবা ৱারম্ব নিংথম-কাখি (Climate) কৌই। কাখি হায়বদি মৈ হোয়বনি। মৈগী হৌরককফি মৈরবনি। মুখিংনা খোকনজুনা মৈরম যৌরকপা মতমদা অয়ুক্কি পুং ৮-৯ তারে। মতম অসিদা মুখিংখি অকনবা মৈশানা চংলিবা মরম অদুবু মৈরম (Tropical) কৌই। হায়রিবা মৈগী মরম অসি Tropic of Capricorn অমসুং Tropic of Cancer গী মরক্তা থাদা অমুক অমাংদা অমুক চংলি। নিংথম থাগী মতমদা থাদা লৈ, কালেনগী মতমদনা অরাংদা লৈ। কালেনগী মমাইদা লৈবা Tropical Zone বু মৈরম (South East) ওইরনবগী মরমদি :— $33\frac{1}{2}°$ মৈশথিবা মরমদা নোংপোকনা মৈরম ওইরকপনি। ১

—লোইরবা—

মফম :- ডি কংলৈপাক উনমশং [প্রেস]
কৈশামপাৎ কৈশাম লৈকাই ॥